**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১ ) সরকারগী ওইবা পাউশিং মীয়ামদা লাইনা ফংহনবা অমদি চে শিজিন্নদবগী পান্দমদা ই-গেজেট পোর্তেল রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি হাংদোকখ্রে।

২) মণিপুরদা হোংলক্লিবা অইং আশাগী খল মায়োকনবা চিঞ্জাক, লম অমসুং ঈশিংদা অহোংবা পুরকপা হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) দ্রাইভিং লাইসেন্স, গাড়ি রেজিষ্ট্রেসন অমসুং অতৈ তোঙান তোঙানবা মখলগী সার্ভিস ৩১ রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা ঙসিদগী দিজিটেলগী খুথাংদা মীয়ামদা ফংহনবা হৌরে।

৪) রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা লন্বীগী নাক য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক লেপ্তুনা চখ্রি।

অমসুং

৫) সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম বিহার স্পেসিয়েল ইলেক্তোরেল রিভিজনগী মতাংদা চরাংনবা থোকপদগী নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে।

------

গভর্নর (এল)ঃ সরকারগী ওইবা পাউশিং মীয়ামদা লাইনা ফংহনবা অমদি সরকারগী ওফিসকী থবক থৌরমশিংদা চে শিজিন্নদবগী পান্দমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ই-গেজেট পোর্তেল হাংদোকখ্রে। ই-গেজেট মণিপুর দোট এম.এন. দোট জি.ও.ভি দোট আই.এন অসিদা মণিপুর গেজেটকী চেফোংশিং মীয়ামা দিজিটেল ফোরমেটতা ফংলগনি। থৌরম অদুদা গেজেট নোতিফিকেসন অমা ইলেক্ট্রোনিক্কী খুথাংদা ফোংদোকখি।

খোঙথাং অসি ইনফোর্মেসন টেকোলোজি এক্ট লিশিং অনিগী সেক্সন ৮ গী মখাদা লৌখৎলকপনি। মসি সরকারগী থবক থোরমশিংদা শেঙ্গা থুমজা লৈহন্দনা পুকচেল শেংনা তৌনবগী পান্দমদা পায়খৎপনি। মমাং থাগী ১৬ তা জি.এ.দিনা থোকখিবা নোতিফিকেসন অমগী মতুংইন্না মণিপুর গেজেট খুদিংমক ইলেক্ট্রোনিক্কী খুথাংদা ফোংলগনি। মসিগা লোয়ননা গেজেট চেফোং নম্বা অমদি মসিগী কোপিশিং য়োনবা ঙসিদগী লেপ্লে হায়রি।

ভল্লা (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা বি.এস.এফকী এ.দি.জি- মহেশ কুমার অগরৱাল অমসুং আই.জি. রবিকান্টকা ঙসি রাজ ভবনদা উন্নদুনা বি.এস.এফনা হৌজিক ঙমখৈ পরিংদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ঙাকশেলগী থৌরাংশিংগী খন্নখি। বি.এস.এফকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অসিনা রাজ্যপালদা লমদম অসিদা শান্তি লৈহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

আইসিএআর(এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক হোংলক্লিবা অইং আশাগী খল মায়োকনবা চিঞ্জাক, লম অমসুং ঈশিংদা অহোংবা পুরকপা হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি লমফেলপাৎকী আই.সি.এ.আরগী কমপ্লেক্সতা লৈবা লোক্তাক ফারমস ত্রেন্নিং হোষ্টেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

আই.সি.এ.আর. রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন, মনিপুর সেন্টরনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মণিপুর সরকারগী লৌউ শিংউ

বিভাগকী দিরেক্তর পিটর শলাম, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভি.সি-প্রোফেসার এন. রাজমুহোন, হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দিরেক্তর কে. দেবদত্ত শর্ম্মা, রিছার্স ইন্সটিট্যুট অসিগী হান্নগী জোইন্ট দিরেক্তর আই. মেঘচন্দ্র অমদি ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকী দিরেক্তর টি. ব্রজকুমার সিংহ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা রিছার্স সেন্তর অসিগী হেদ- ডাঃ সি.ঐচ. বাসুদানা হায়- লৈবাক অসিদা হোংলক্লিবা অঙ্গৈং অশাগী খল অসিনা লৌউ শিংউবগী লমদা পীরিবা চৈথেংশিংগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনদুনা মণিপুরগী লৌউ শিংউগী লমদা ষ্ট্রেটেজিক রোদ মেপ অমা পুথোকপগী পান্দমদা ৱার্কসোপ অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা টেকিকেল সেসনশিং পাঙথোক্লুনা অখণ্ড অহৈশিংনা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। তুংদা পেন্নেল দিস্কসন অমসু পাঙথোকখি।

করাং (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক পাৎতা লৈরিবা করাংবু দিজিতেল আইলেন্দ ওইনা শেমগৎনবগীদমক দ দিজিতেল আইলেন্দ দিভলপমেন্ট কমিতি বিষ্ণুপুর কৌবা কমিতি অমা শেমনবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা লুচিংদুনা জিলা অসিগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা ঈথৎ অসিবু চাওখৎহন্নবগীদমক তঙাইফদনা চংবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমসুং সেক্তর কয়াদগী পুন্না ঈথৎ অসিবু দিজিতেল আইলেন্দ অমা ওহহনবা তেংবাংনবগী মতাংদা খন্নখি। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা হায়- করাংবু দিজিতেল আইলেন্দ অমা ওইনা শেমগৎপদা কম্যুনিতি ইম্পৱারমেন্ট অমসুং মফম অদুগী মীয়াম অমত্তা চিৎথবা তৌদনা পুন্না চাওখৎমিন্নবা পান্দম থল্লি।

মীফম অদুদা জিলা অসিগী এ.দি.এম- ওপেন্দ্র, এস.দি.ও, বি.দি.ওশিং, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং অমসুং করাং ঈথৎকী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

এরেষ্ট (এল)ঃ ককচিং পুলিস কম্মান্দোনা জিলা অদুগী ৱাবগাই মাইরেনবম এরিয়াদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে। মঙোনদগী সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভকী পিষ্টোল অমা, মরু ৮, মোবাইল ফোন অমা, আধার কার্দ অমা ফংলে। মহাক্কী মথক্তা মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ককচিং জিলাগী ককচিং খুনৌ কৈথেলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা আই.দি.পিশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৪৫০ লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলস অমসুং ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংলেপ সবদিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গং ১৮ দা চান থকবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। চান থকবা পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম অদু মমাং থাগী ১৭ তগী হৌনা চত্থরকখিবনি। ঙসি অরোইবা নুমিৎতা চান থকবা পোৎলম টোন ৮ খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোকখি।

রিমস (এল)ঃ মমাগী খোল্লাং পীথকপা হায়না ঙসিদগী মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা পালন থৌরম হৌখিবগুম মণিপুরদা নুমিৎ অসি ইম্ফালগী রিমস ও.পি.দি কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রিমসকী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগা খুৎশমরগা পাঙথোকখিবা পালন থৌরমগা মরী লৈননা মীয়ামদা মমাগী খোল্লাং পীথকপগী কান্নবা নিংথিনা খঙহন্নবা মেলা পাঙথোকখি।

ত্রান্সপোট(এল) ঃ রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা দ্রাইভিং লাইসেন্স, গাড়ি রেজিষ্ট্রেসন অমসুং অতৈ তোঙান তোঙানবা মখলগী সার্ভিস ৩১ ঙসিদগী হৌনা দিজিটেলগী খুত্থাংদা মীয়ামদা ফংহনবা হৌরে।

মনিপুর ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুতি দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- কেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি ওফ রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজনা দিজিটেলগী খুথাংদা মীয়ামদা সার্ভিসশিং অসি মতমগা চুন্ননা ফংহন্নবা খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি।

ই-দ্রাইভিং লাইসেন্স, ই-রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেটগী খুদোংচাবা অসি মীয়ামনা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস নৎত্রগা ট্রান্সপোর্ট বিভাগতা চৎতুনা মশা মশানা ইন্টরনেটকী খুথাংদা লৌবা য়ারগনি।

তোঙান তোঙানবা সার্ভিস ৩১ অসিগী মনুংদা গাড়ি লৈবা-য়োনবগী চে-চাং, দুপ্লিকেট লৌথোকপা, গাড়িগী দ্রাইভিং লাইসেন্স রিনিয়ু তৌবগী খুদোংচবশিং য়াওরি।

ইভিক্সন(এল) ঃ রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা আইন্না য়াদবা মওংদা লম্বীগী নাক য়েৎতা লনাইগী য়ুম, দুকান্নচিংবা শাজিনবশিং তকথোকপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা চহি অসিগী জন্ ২৩ দা জিলা অসিগী মরুওইবা লম্বীশিংগী নাক-য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং মশা মশানা লৌথোকবা খঙহনখ্রবা মতুং ঙসিদগী তকথোকপগী থবক হৌখ্রে।

ঙসি পোরোম্পাৎ ক্রোসিংদগী মুতুম লৈরক ফাওবা তকথোকপগী থবক চথুখি। হয়েং মখা তানা মুতুম লৈরক্তগী য়োংলান লৈরক ফাওবা তকথোকপগী থবক চথুগনি হায়রি।

মনিপুর সরকারগী সব-দিভিজনেল ওফিসার-পোরোম্পাৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-থা অসিগী ২৮ ফাওবা তোঙান তোঙানবা মফম ১৯ দা তকথোকপগী থবক চথুগনি।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু জিলা ফাওদুনা চৎলিবা নেসনেল হাইৱে, ষ্টেট হাইৱে, ইন্তর ভিলেজ রোদ অমদি খোঙ লম্বীশিংদা অসিগুমা আইনগী ৱাংমদা শেমজিন শাজিল্লিবশিং থা অসিগী ৮ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকবা খঙহল্লক্লি। অপিবা মতম অসিদা মশা

মশানা লৌথোক্তবদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না আইনগী মতুংইন্না শাজিল্লিবশিং অসি তকথোক্লগনি অমদি মসিদা চংবা শেনফম মশা মশানা পুথোক্কদবনি হায়রি।

তমেংলোং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেনিতেসন মিসনগা খুৎশমরগা তোতি ঈশিং থকপা হায়বা মিসন অমা জিলা অদুগী অখুই ভিলেজদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

জিলা অদুগী মীয়ামদা থকবা অফবা ঈশিং ফংহনদুনা য়ুমথোঙ খুদিংদা অওনবা অমা পুরকবা পান্দমদা মিসন অসি পায়খৎপনি হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী কিলোমিতর ১৫ খক চৎলগা লৈবা জিলা অদুগী খ্বাইদগী নানবা খুঙ্গং অমা ওইরিবা অখুই ভিলেজদা মিসন অসি অহানবা ওইনা পায়খৎপনি। খুঙ্গং অদুদা পুন্না য়ুমথোঙ ৭৫ লৈ। হৌজিক য়ুমথোঙ খুদিংদা তোতি পুশিল্লে হায়রি।

মিসন অদু হৌদোক্লদুনা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা খুঞ্জাশিংদা ঈশিং টেষ্ট তৌনবা কিটশিংসু য়েন্থোকখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা মীফম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুগী মরুওইবা পান্দমদি- ইনখৎলক্লিবা নহাশিং হিদাক মনা শিজিন্নহনদবা অমদি হৌরক্লিবা মীরোলবু কনবা হায়বসিনি। থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংখিবশিংনা মহৈ তম্ফমশঙশিংগী মনাক নকপা মফমশিংদা হিদাক মনাগী পোৎলম য়োনবীদনবা আপীল তৌখি। মসিদা মীয়াম পুন্না তেংবাং হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ব্রাফম ফোংদোকখি।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী কষ্টুবা গান্ধি বালিকা বিদ্যালায়াদা ঙসি ষ্টোপ দাইরিয়া কেম্পেন পাঙথোকখ্রে। ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোই ২০০ রোম লৈবা বিদ্যালায়া অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা

হকচাং ফনা অমসুং লু নান্না লৈনবগী পাউজেল য়াওবা স্লোগানশিং অমসুং প্লে কার্দশিং শিজিন্নদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখি।

শগোলবন্দ (এল)ঃ শগোলবন্দ কেন্দ্র অমদি মসিগী অকোইবা মফমশিংদা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরিবা অসিগী য়েংলগা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ- আর.কে. ইমো অমসুং শগোলবন্দ কন্সটিট্যুন্সি প্রোগ্রেসিভ কমিতিনা পুন্না অমুদোনদগী কাংগুবম লৈকাই ফাওবদা চেল্লিবা নম্বুল তুরেলগী মফম ১০ দা সত্তর গেট পানবা হৌরে।

অমুকো (এল)ঃ মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ৱাখল্লোনদা ইং কুমজা ১৯৯৭ গী ওগষ্ট ৪ দা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুবু নিংশিংদুনা থা অসিগী ৪ দা মণিপুর ইন্তিগ্রিতি ডেগী পাঙথোক্কনি। ইম্ফাল মপাল কাংজৈবুংগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মণিপুর ইন্তিগ্রিতি পিল্লরদা হৈকৎ লৈকৎ তল্লবা মতুংদা ইম্ফাল জি.এম. হোলদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীনবা ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী মাইকৈদগী আপীল তৌরক্লি।

কংগ্রেস (এল)ঃ জোনি মৈতৈ শগোলশেমবু ওল ইন্দিয়া প্রোফেসনেল কংগ্রেস একাদমিয়া দোমেনগী মণিপুর ষ্টেট হেদ ওইনা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতিনা খল্লক্লে। শ্রী জোনি মৈতৈ ষ্টেট য়ুথ কংগ্রেসতা য়াওদুনা দল অসিগী থবক থৌরম কয়া তৌরক্লবা মীওইনি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা পুম্বদা ঙসি অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই। অমরোমদা, অসাম, মেঘালায়া অমসুং অরুনাচল প্রদেসতা কা হেন্না অকনবা নোং চুগনি হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

মীফম ঃ রাজ্য সভাগী নোংজ মীফমদা ঙসি বিরোধি দলগী সদস্যশিংনা বিহার স্পেসিয়েল ইলেক্তোরেল রিভিজনগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা সভাগী ময়াইদা চংশিল্লকখ্রে। তুংদা দিপ্যুতি চেয়ারমেন হরিবন্স নারায়ন্না সভাগী মীফম থা অসিগী ৪ ফাওবা য়েথোকখ্রে।

লোক সভাগী মীফমসু জিরো অৱার মতমদা বিরোধি দলগী সদস্যশিংনা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা চরাংনবা থোকপদগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা মীফম নুংথিল পুং ২ ফাওবা য়েথোকখি। মীফম অমুক হৌবদসু চরাংনবা থোকপদগী থা অসিগী ৪ ফাওবা য়েথোকখি।

বিহার ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না ৱাথোক ওইরিবা বিহারগী স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ঙসি ফোংখ্রে। নৌনা ফোংলবা দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল অদু রাজ্য অদুগী জিলা ৩৮ গী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার অমদি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার গ্যানেস কুমারনা হায়- ঙসি ফোংলিবা ইলেক্তোরেল রোল অসিদা চুমথোকিংবা লৈরবদি মথং থাগী ১ ফাওবদা বিহারগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার অমদি ইলেক্তোরেল ওফিসার ২৪৩ দা ৱাকৎলকপা য়াগনি হায়রি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ভিক্সিত ভারত হায়বগী নুংগী ওইবা আর্থদি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চপ মান্নবা খুদোংচাবশিং ফংহনবা অমদি পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহনবনি।

মহৈরোইশিংনা লাইরিক্কী ওইবা মকোক মথং তানবা খক নত্তনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংদসু শরুক য়াগদবনি অমদি সমাজ, লৈবাক অমদি মালেমনা ঙসি থেংনরিবা সমস্যশিং অসি করমা কোকহনগদগে হায়বগী লমদসু থৌদাং লৌগদবনি। ৱাফম অসি রাষ্ট্রপতিনা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেকে ালোজি-ইন্দিয়ান স্কুল ওফ মাইন্স ধনবাদকী ৪৫ শুবা কনভোকেসন থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। রাস্ত্রপতিনা ইন্সটিট্যুট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিগ্রী

প্রোগ্রামশিংদা মকোক তারবা মহৈরোই ২০ দা সনাগী তকমান পীদুনা পূকিং থৌগৎখি।

এনপিসিআই ঃ  নেসনেল পেমেন্ট কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিনা শিজিন্নরিবা য়ু.পি.আই ত্রাঞ্জেক্সনগী মতাংদা অনৌবা নিতি নিয়ম থোকখ্রে। ঙসিদগী হৌরগা য়ু.পি.আইগী খুত্থাংদা শেল থাবা মতমদা শেল ফংগদৌরিবা মীওই অদুগী মীং থোক্কনি অমদি য়ু.পি.আইগী খুত্থাংদা নোংমদা মশাগী বেঙ্ক বেলেন্স চ্যেক তৌবা ৫০ দগী হেন্না য়াররোই হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

দুরান্দ কপ ঃ  ১৩৪ শুবা ইন্দিয়ান ওইল দুরান্দ কপকী গ্রুপ (এফ)কী ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা মেটচতা  ইন্দিয়ান নেভি এফ.সিনা রিএল কাশ্মির এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ইন্দিয়ান নেভিগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৬ শুবা মিনিৎতা বিজয়না অদুগা ৭০ শুবা মিনিৎতা শ্রেয়াজনা চনখিবনি। রিএল কাশ্মীরগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনিৎতা ফ্রেঙ্ক ৱিল্লিয়মনা চনখিবনি।

গ্রুপ-এফকী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৪ দা ত্রাউ এফ.সিগা রিএল কাশ্মীর এফ.সিগা শান্নরগনি। মেটচ অসি নুংথিল পুং ৪ দগী হৌগনি।

ফুটবোল ঃ    থুংচেং ৱাই.সিনা চান্দেল জিলাদা চত্থরকপা সম্মর সোক্কর তুরনামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইরে।

টিম ৩০ না শরুক য়াদুনা চত্থরকপা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলগী অপিবা মতমদা থুংচেং ৱাই.সি অমসুং চুন্বাং ৱাই.সি পাঞ্জল ৩-৩ চন্নবদগী পেনালতি কাউনবদা থুংচেং ৱাই.সিনা পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখিবনি।

কবাদি ঃ মণিপুর ষ্টেট কবাদি এসোসিয়েসন অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কবাদি এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা নোংমৈবুং এদভান্টেজ য়ুথ এথলেটিক ক্লবনা শিন্দুনা মমাং থাগী ১০ দগী চগুরকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কবাদি কোচিং কেম্প ঙরাং লোইশিনখ্রে।

------